# ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্না অনীশুবা মেটচতা য়ু এস এ বু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে



য়ু এস এ অমসুং ইন্দিয়ানা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা য়ু এস এ গী শান্নরোইশিংনা বোল চেন্দুনা পুবা

মেনহেম, জুলাই ২১ঃ
ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্না মতম কুইরবগী মতুংদা ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইরকখিবগা ইরোইননা ওলিম্পিক্সতা অফবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্নবগীদমক শেম শাবা ওইনা নোর্থ অমেরিকাগী টুরদা ঙসি য়ু এস এ গী নুপীগী হোক্কি টিম্বু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা লৈবাক অদুগা অহানবা মেটচ থা অসিগী ১৮ গী অথেংবদা অহানবা মেটচ শান্নবদা পাঞ্জল ২–৩ দা মায়থিখ্রবামতুং মেটচ অমমম থোইনদুনা য়ু এস এ গা প্রেক্টিস মেটচ চথখিবা অদু লোইশিনখি।

ঙসি য়ু এস এ গী পেনস্লিভেনিয়া রাজ্যগী মেনহেম সহরদা শান্নখিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অমসুং য়ু এস এ গী নুপীগী টিম অদুগী অনীশুবা মেটচ অদুদা অহানবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনখিবা মরম্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

মিনিট ১৫। ১৫ গী ক্বার্টর ৪ গী অহানবা ক্বার্টর অদু ইন্দিয়া অমসুং য়ু এস এ গী নুপীগী হোক্কি টিম অনীনা অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপদা হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী অহেনবা প্রেসর পীনবা হোৎনরকখি।

য়ু এস কী মায়কৈদগী জিল ৱিটমরনা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনিটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা লৈবাক অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ক্বার্টর অনী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়াবু য়ু এস এ না পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখিবনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদগী হৌনা অহেনবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী য়ু এস এ গী শান্নরোইশিং অদু মনিং হনখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌরদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেং লৌরগা টিম অদুগী শান্নরোই প্রিতি দুবেনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাজইর অদু চনবদগী মেটচকী অহুমশুবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা লৈনখি।

টিম অনী পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং অরোইবা ক্বার্টর অদুদা মায়কৈ অনীমক্তুগী অহেনবা মশান্না উৎননবা অমদি মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চন্নবা য়াম্না কন্না মায়কৈ অনীদগী হোৎনরকখিবনি।

অরোইবা ক্বার্টর অদু লোইগদবা মিনিট ৫ ৱাৎলিঙৈদা হোৎনবা লেপখিদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী লিলিমা লিঞ্জনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা য়ু এস এ বু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরগা লৈবাক অনীগী প্রেক্টিস মেটচ অনী অদু মেটচ অমমম মায় পাক্লরগা লোইশিনখি।

নোর্থ অমেরিকাগী টুর অসিদা য়ু এস এ গা মেটচ অমমম ড্রো চৎলবা মতুং ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কিগী টিম অসিনা কানাদাগী হোক্কি টিমগা মেটচ ৪ মখা তানা শান্নগনি। মদুগী অহানবা মেটচ অদু হয়েং শান্নগদৌরি।

# রিওদা সাইনা ৬ শুবা সিদেদ অমদি কিদম্বিনা নুপাগীদা ৯ শুবা ওইনা শান্নরগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২১ঃ
ইন্দিয়াগী নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোইশিংগী মনুংদা লম্বা লৈত্রবী মালেমগী নুপীগী রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান ফাওবা ওইরম্লবী সাইনা নেহৱাল মথং থাগী ৫ দগী ২১ ফাওবা ব্রাজিলগী সহর রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ৫ শুবা সিদেদ ফংবা ঙমখ্রে। অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্ত ৯ শুবা সিদেদ শান্নরোই অমা ওইনা রিও ওলিম্পিক্সকী কম্পিটিসনদা শরুক য়াগদৌরি।

রিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ৫ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াগদৌরি। নাকল অমরোমদা লৈবাক অসিমক্কী অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই পি ভি সিন্ধু ওলিম্পিক গেমস অসিদা ৯ শুবা সিদেদ শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়াগদৌরি। তৌইগুম্বসুং পি ভি সিন্ধু নুপীগী বেদমিন্টনগী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ১০ শুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রিও ওলিম্পিক্সতা বেদমিন্টন দিসিপ্লিনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কেটেগোরিদা কিদম্বি স্রিকান্তনা ৯ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা লম্বা তৌনগদৌরি।

পনবা য়াবদি রিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী ওইনা নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈনা নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই ওইগদৌরি। নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা স্পেনগী কেরোলিনা মারিন্না নম্বর ৱান সিদেদ ওইগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈ হৌখিবা ওলিম্পিক্স অনীদা সিলভর মেডল ফংদুনা লৈহৌবনি। হন্দক্কী রিও ওলিম্পিক্স অসিদদি মহাকসু গোল্ড মেডল ফংনবগী অকনবা আশা অমগা লোয়ননা শেম শারিবনি।

লি চোং ৱৈগী মতুংদা রিও ওলিম্পিক্সতা চাইনাগী শান্নরোই অনী মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইরম্লবা চেন লোংনা ২ শুবা সিদেদ অদুগা ওলিম্পিক্সকী টাইটল ২ লক ফংবা ঙমখ্রবা লিন দাননা রিওগী ৩ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা স্পেনগী কেরোলিন মারিন্না নম্বর ৱান সিদেদ ওইনা চাইনাগী শান্নরোই অনী ৱাং য়িহান অমসুং লি জুরোইনা অনীশুবা অমদি ৩ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরি।

পনবা য়াই লি জুরোই লন্দনদা কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী বেদমিন্টনগী সিঙ্গলস গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখি।

# প্রেমিয়র ফুটসাল লীগ ২০১৬

# প্রেমিয়র ফুটসাল লীগ ২০১৬ কী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা টিম ৪ মক মশক খঙখ্রে



কোলকতা অমসুং বেঙ্গালুরুনা শান্নখিবা মেটচতা শান্নরোই অনীনা বোল মুন্নবগী মতাং অমা

পানাজি, জুলাই ২১ঃ
ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা নৌনা পাঙথোকপা প্রেমিয়র ফুটসাল লীগতা কোলকতা, মুম্বাই, কোচি অমসুং গোৱা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

গোৱাগী সহর পানাজিদা শান্নবা প্রেমিয়র ফুটসাল লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা য়ুম্বু গোৱা অমসুং বেঙ্গালুরু মেটচ অদু গোৱানা পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা অনীশুবা মেটচ অমদনা কোচি অমসুং চেন্নাই পাঞ্জল ৩–৩ চন্নরগা ড্রো চৎখি।

ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা ফুটসাল অসি মখা তানা পাম্নবগীদমক চত্থরকপা খোংথাংশিংদা গোৱাগী মায়কৈদগী চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অচৌবা থৌদাং লৌখি।

গোৱা অমদি বেঙ্গালুরুগা শান্নখিবা মেটচ অদু গোৱানা য়াম্না হেন্না খুদুম চন্দুনা লৈখি। মেটচ অদু গোৱানা বেঙ্গালুরুবু ৩–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু গোৱাগী মায়কৈদগী শান্নবগী ১০ শুবা মিনিটতা কাফুনা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমগী মতেংনা মাইকেল সিলভানা চনখিবনি।

গোৱানা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা চৎলবা মতুং অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লবা ফাওবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদবদগী মেটচ অদু গোৱানা বেঙ্গালুরুবু পাঞ্জল ১–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনিট অমখক্তা ঙাইরিঙৈদা গোৱাগী মায়কৈগী রাফেলনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা গোৱানা বেঙ্গালুরুবু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

গোৱাগী টিম অসিনা বেঙ্গালুরুবু অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লবা ফাওবদা পাঞ্জল অনী মাঙজিল থাখিবা অদুগী মথক্তা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিননবা কন্না লাক্লরকখি। অমরোমদা বেঙ্গালুরুগী টিমসু মেটচ অদুগী মখা তাবা ক্বার্টর অনী অদুদা শোত্থখিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দোক্লবা হোৎনখি। অদুবু মেটচকী অরোইবা মীৎকুপ্তা গোৱাগী ভম্পেটানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা গোৱানা বেঙ্গালুরুবু পাঞ্জল ৩–০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা কোচিগা থেংনরগনি।

ঙসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা কোচি অমসুং চেন্নাইনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনীমক পাঞ্জল ৩–৩ চন্নরগা ড্রো চৎখি। মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু ১২ শুবা মিনিটতা চনখি। মখা তানা চেন্নাইনা ১৮ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অনী শুহনবা ঙম্লবা মতুং কোচিগী মায়কৈদগী থংন–থংননা ৩৭ অমসুং ৩৮ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদা পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা লৈখি।

শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনিটতা চেন্নাইনা পাঞ্জল অমা চনশিল্লগা হরাওরিঙৈ থংনবা মিনিটতা কোচিনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা ড্রো চৎখিদুনা কোচি সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি।

**PREMIER FUTSAL LEAGUE 2016 RESULT**

| Date | Match | Score |
|---|---|---|
| 20/07/2016 | Goa vs Bangalore | 3-0 |
| 20/07/2016 | Chennai vs Kochi | 3-3 |

**Semi Final**

| Date | Match | Venue |
|---|---|---|
| 23/07/2016 | Mumbai v Kolkata | Goa |
| 23/07/2016 | Goa v Kochi | Goa |

# এঠলেটিক্স বেনগা মরী লৈননা রুশিয়ানা তৌরকখিবা আপিল স্পোর্টস কোর্টনা য়াখিদ্রে



মোস্কো, জুলাই ২১ঃ
ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলিম্পিক গেমসতা রুশিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়ারুগদৌরিবা এঠলিটশিংগী মথক্তা অথীংবা থমখিবগী মায়োক্তা মখা তানা অমুক খন্নবীনবা রুশিয়ানা তৌখিবা আপিল অমা দি কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টস (সি এ এস) না য়াখিদ্রে।

মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা শান্নবগী কোর্ট অমা ওইরিবা দি কোর্টওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টস (সি এ এস) না রুশিয়ানা থাঙ্গৎলকখিবা আপিল অদুবু য়াখিদবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা রুশিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন্না ফোঙদোকখিবদা মখোয়গী এঠলিটশিং অসি চত্থগদৌরিবা রিও ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াহন্দনবা ৱার্ল্ড এন্টি দোপ্পিং এজেন্সি অমদি আই এ এফ না থল্লকখিবা অথিংবা অদুনা য়াশিন্নবা পুরক্ত্রবদি ওলিম্পিক্সকী ইহৌ অসি মতুং তারকপদা মচেৎ তাবা য়াবগী খুদোংচাবা পীবনি হায়খি।

পনবা য়াই মমাঙ চহীগী নবেম্বরদগী অথীংবা অসিনা মরম ওইরগা রুশিয়াগী ট্রেক এন্দ ফিল্ড এঠলিটিশিংগী মথক্তা অথীংবা লৈরকপনি।

আই এ এ এফ (ইন্টরনেসনেল এসোসিয়েসন এঠলেটিক্স ফেদরেসন) না রুশিয়াগী এঠলিটশিংগী দোপ্পিং টেষ্ট তৌবদা থিংখ্রবা পোৎয়ান য়াওরম্বা থেংনবদগী হৌজিক–হৌজিক মালেমগী চৎন–পত্থাপকী ৱাংমদা লৈরম্বদগী মথং থাগী ৫ দগী ২১ ফাওবা ব্রাজিলগী সহর রিও দি জেনৈরোনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিদা শরুক য়াবা য়াদবগী অথিংবা অদু থল্লকখিবনি।

মরক অসিদা ৱার্ল্ড এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সহর সোচিদা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০১৪ গী ৱিন্টর ওলিম্পিক্সকী মাংওইননা লৈবাক অদুনা চল্লাইবা য়ুনিটশিংনা দ্রগ শীজিন্নবগী থবক চত্থখি হায়রি।

ৱারোল অসিনা মরম ওইরগা ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক্স কাউন্সিলগী মায়কৈদগী রুশিয়াগী এঠলিটশিংবু রিও ওলিম্পিক গেমসা শরুক য়াবা অমসুং য়াদবগী মতাংদা অচৌবা খোংথাং অমা লৌখৎলকপনি।

মরক অসিদা ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক্স কাউন্সিলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা রুশিয়াগী এঠলিটশিংগী ৱারোল অমা লাক্লিবা চয়োল অসিদা খঙবা ঙম্লগনি। মদুগী মখা তাবা লাক্কদবা ফলশিং অদু সি এ এস কী চৎন–পত্থাপগী মতুং ইনগনি হায়রি।

# ৱেষ্ট ইন্দিজ অমসুং ইন্দিয়াগী অহৌবা টেষ্ট মেটচতা সিখর ধৱন্না আওট ওইদনা রন ৫৭ লৌবা ঙম্লি



ইন্দিয়াগী বেটসমেন অনী সিখর ধৱননা রন ৫০ লৌরবা মতুংদা টিমমেট ভিরাট কোলিনা হরাওবা ফোঙদোকপা

নোর্থ সাউন্দ, জুলাই ২১ঃ
ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম্না ৱেষ্ট ইন্দিজগা লোয়ননা টেষ্ট মেটচ ৪ গী সেরিজ অমা শান্নগদৌরিবা অসিগী মনুং চনবা অহানবা টেষ্টমেটচকী অথেংবদা লৈখিবা পাউগী মতুংইন্না ওপনর সিখর ধৱান আওট ওইদনা রন ৫৭ লৌদুনা শান্নরি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংস অদু ওভর ৩৩ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা ৱিকেট ২ তুরগা রন ১০৪ লৌদুনা লৈরি।

মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌনবা ৱারেপ লৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ওপনর মুরালি বিজয় শান্নবগী ১৫ শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লর সেনোন গ্রেবিয়েলনা লংলকপা বোলদা রন লৌনবা য়ৈখিবদা মপুং ফানা পালহৌদবদগী ক্রেক বারনা ওক্তুনা আওট ওইখি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু রন ১৪ লৌদুনা লৈখি।

নৌনা চঙলকপা চিটেশ্বর পুজারা অমদি অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱন্না ইন্নিংস অদু মখা তানা শান্নরকপদা রন ৬০ হাপচিন্দুনা লৈরিঙৈ মশাগী রন ১৬ তা চিটেশ্বর পুজারা আওট ওইদুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা বেটচমেন অদু অপুনবা রন ৭৪ দা আওট ওইখি।

ওপনর মুরালি বিজয় অমসুং অহুমশুবা বেটসমেন ওইখিবা চিটেশ্বর পুজারানা মথংশিংনা রন ৭ অমসুং ১৬ লৌরগা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু মখা তানা সিখর ধৱন অমসুং কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা শান্নরকখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লরশিং অদুনা ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিং অদু খুদুম চনবা ঙম্লবা অদু ঙসি অথেংবদা ফংখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না ধৱন রন ৫৭ অমদি কেপ্টেন ভিরাট কোলি রন ১৮ লৌদুনা লৈরি।

# ফেদরর হোপমেন কপ্পা শরুক য়াগদৌরি

পর্থ, জুলাই ২১ঃ
টেন্নিসকী লমদা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১৭ লক লৌবা ঙমদুনা মশান্না অসিদা রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী সহর পর্থতা পাঙথোক্কদৌরিবা টেন্নিস শান্নবা লৈবাকশিংগী মিক্স টিমগী টুর্নামেন্ট অমাওইরিবা হোপমেন কপ্তা স্বিজরলেন্দগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগনি হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক–হৌজিক নুপাগী সিঙ্গলসকী ৱার্ল্ড নম্বর থ্রিদা লৈরিবা রোজর ফেদররনা স্বিজরলেন্দগী নুপীগী শান্নরোই ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ১৬ শুবদা লৈরিবা বেলিন্দা বেন্সিক্কা জুরা ওইদুনা হোপমেন কপকী রেকোর্দতা চহী ১৫ গী মতুংদা অহানবা ওইনা ফেদররনা শরুক য়াগদৌরি।

পনবা য়াবদি ফেদররনা কুমজা ২০০১ দা স্বিজরলেন্দগী শান্নরোইশিং মার্টিনা হিঙ্গিসকা লোয়ননা জুরা ওইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। হোপমেন কপকী ওইনা ২০১৫ তা ওষ্ট্রেলিয়াগী জুরা নিক কাইগ্রিয়োস অমসুং দারিয়া গাব্রিলোভানা টাইটল লৌবা ঙম্লি।

# মমাঙগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান কেরোলিন ৱোজনিয়াকি শোকপদগী মখা তানা মেটচ শান্নবা ঙমখিদ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ২১ঃ
য়ু এস এ গী ৱাশিংটন সহরদা চত্থরিবা সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মমাঙগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকি ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থ ষ্টোসুরগা ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মপাম্বোম শোকপদগী মখা শান্নবা ঙমখিদ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকিনা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লরবা মতুং সামান্থ ষ্টোসুরগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৭–৫ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেট শান্নরকপদা সামান্থ ষ্টোসুরনা কেরোলিন ৱোজনিয়াকিবু গেম ৪–৩ দা হেন্দুনা লৈরিঙৈদা মপাম্বোম শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু সামান্থ ষ্টোসুরনা মায় পাকখিবনি।

কেরোলিন ৱোজনিয়াকি মথং থাগী ৫ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলিম্পিক গেমসতা দেনমার্ককী মায়কৈদগী ফ্লেগ পায়দুনা চৎননবগীদমক খনখ্রবনি।



মপাম্বোম শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদ্রবা দেনমার্ককী কেরোলিন

পনবা য়াই য়ু এস ওপন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ্তা অনীরক হন্না রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রবা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকি কুমজা ২০১৪ দসু য়ু এস ওপনদা খোঙনিং শোকপদগী মখা তানা শান্নবা য়াওখিদবনি।

কুমজা ২০১১ দা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা সামান্থ ষ্টোসুরনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা কেরোলিন ৱোজনিয়াকিগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা কেরোলিন ৱোজনিয়াকি শোকপনা মরম ওইরগা মেটচ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এস এ গী ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ওইনা চঙলকখিবা জেসিকা পেগুলাগা থেংনরগনি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com